# ৮শুবা গভর্নরস টাইক্বান্দো কপ খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টদিয়মদা হৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১ঃ* ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টদিয়মদা ৮শুবা গভর্নরস টাইক্বান্দো কপ ২০১২ মণিপুর লেজিলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৫শুবা কম্মনৱেল্থ টাইক্বান্দো চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডলিষ্ট য়ুনিয়ন টাইক্বান্দো একাদমিগী জয়প্রিয়া অমসুং সাইগী সলাম বিক্রমজিৎ অনিনা ৱাশক লৌখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা টাইক্বান্দো এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈবা য়ুনিট ১৮ না শরুক য়ারি। নুপীমচা শান্নরোই ১১৪ অমসুং নুপামচা শান্নরোই ২৩৮ পুন্না শান্নরোই ৩৪২ না তোঙান তোঙানবা এজ গ্রুপকী ৱেট কেটেগোরিশিংদা কম্পিট তৌনগদৌরি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন য়ু টি এ না গোল্ড ৫, সিলভর ৫, ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেডল ১১ ফংদুনা মেডল টেল্লিদা মাংজিল থানা চৎখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা সব-জুনিয়ার গার্লসকী কেজি ২২ গী মখাগী কাংলুপ্তা য়ু টি এ গী এম উমেলিনা গোল্ড লৌখি। পি টি এ গী টি ঐচ রোসনি চনুনা সিলভর, সি টি এ গী ৱাই বিজেতানা ব্রোঞ্জ ফংখি। কেজি ২৯ গীদা পি টি এ গী কে ঐচ অলিনা গোল্ড, এস লভিংনা সিলভর, সি টি আই শগোলবন্দগী দিপা অরিবম অমসুং এন এস এ গী গিতঞ্জলিনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংখি। কেজি ৩৮ গী মখাগীদনা পি টি এ গী এন প্রেতানানা গোল্ড, সি টি আই শগোলবন্দগী এন হেলেন্নানা সিলভর, এন এস এ গী ইনাওবী অমসুং ববিতানা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংখি।

জুনিয়ার গার্লসকী কেজি ৬৩ গী মখাগী কাংলুপ্তা য়ু টি এ গী মোইরাংথেম বিমিনা গোল্ড, নাওরিয়াগী এল ঙাহোইই চনুনা সিলভর, ফংখি। কেজি ৫৫ গী মখাগী কাংলুপ্তা সাইগী টি ঐচ বসন্তিনা গোল্ড, এন এস এ গী হঙোইকিম চোংলোইনা সিলভর ফংখি। কেজি ৬৮ গী কাংলুপ্তা য়ু টি এ গী জি ববিনা অমসুং অবিতুনা মথংশিংনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডলশিং ফংখি।

সেনিয়ার গার্লসকী কেজি ৬২ গী কাংলুপ্তা য়ু টি এ গী জয়প্রিয়ানা গোল্ড, য়ুনিট অদুগী এম সরজুবালানা সিলভর ফংখি।

সব-জুনিয়ার বোইজগী ঙসি শান্নখিবা কেজি ৩২ গী কাংলুপ্তা এন এস এ গী এন দিলিপনা গোল্ড লৌখ্রে। য়ু টি এ গী এম দি অসাদ অলিনা সিলভর, সি টি আই শগোলবন্দগী এ দিকসন অমসুং সি টি এ গী এম রাহুলনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংখি। কেজি ২৫ গী কাংলুপ্তা য়ু টি এ গী জেকনা গোল্ড, ই এস য়ু গী রোমেসনা সিলভর, য়ু টি এ গী রোবার্ট অমসুং রোসন্না ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংখি।

জুনিয়ার বোইজগী কেজি ৬৩ গী কাংলুপ্তা এন এস এ গী ৱাই কর্ণনা গোল্ড, য়ু টি এ গী চিঙখোঙানবনা সিলভর, পি টি এ গী এস ঐচ সোনেল অমসুং সাইগী এন নরেন্দ্রনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংনখি।

কেজি ৪১ গী কাংলুপ্তনা এন এস এ গী টি ঐচ জেকসন্না গোল্ড, য়ু টি এ গী সোমোরজিৎনা সিলভর, বি বি এ গী রঞ্জন অমসুং নঙ্গোলগী বিরজিৎনা ব্রোঞ্জ ফংখি।